# কুমজা ২০০০দা তৌখিবা সীদনি ওলিম্পিক্তা য়াওবা য়াবগী খুদোংচাবদি লৈরম্লবনি, অদুবু ওলিম্পিয়ন ওইয়ু তম্লমদবনা মদুমদি ফংলকখিদ্রে



ৰাইখোম সুরজলাতা
ইন্টর্নেসনল হোক্কি প্লেয়র

(ঙরাংগী মখা)

কুমজা ২০০২দা বুশান্দা তৌখিবা "১৪শুবা এসিয়ন গেমস"তসু ঐহাক ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইনা চৎচখি। বুশান এসিয়ন গেমসতদি ঐখোয় মেদল লৌবা ঙম্লকখিদে। মরিশুবা পোজিসন তারগা হল্লকখি। মখা তারকপদা কুমজা ২০০৩দা ইন্দিয়াদা (হায়দ্রবাদ) অহানবা ওইনা হৌদোরকখিবা 'ফর্স্ত এফ্রো এসিয়ন গেমস' তসু ঐহাক ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইজখি। অদুগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমজখি। কুমজা ২০০৪দা দিল্লিদা তৌখিবা 'ফিফ এসিয়া কপ' তসু ঐহাক ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইনা শরুক য়াজখি। লোয়ননা সনাগী মেদলসু ফংজখি। কুমজা ২০০৪গী এসিয়া কপ মায় পাকখিবা মীৎকুপ্তা ইন্দিয়ন টিমদা 'গোল্ডিন গর্লস ওফ হোক্কি' হায়বা মীংথোলসু পীবিরকখি।

অদুগা, ৰেষ্টর্ন রেলৰেজ অমদি সেন্ত্রেল রেলৰেজগী ওইনা হৌজিক ফাওবা ষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ফিল্ড লৈত্রি। বোম্বে এসোসিএসনগী ওইনা লৈবা টর্ফসিদা বুক তৌর-তৌরগা ঙসি ফাওবা শান্নদুনা লাক্লি। লাইবক ফবা অমনা ষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ফিল্ডগী মতাংসিমদি ঐহাক্কী ওইনা থোইনা প্রোব্লেম ওইরকখিদ্রে। সব জুনিয়র লেভেলদগী হৌরগা ইন্দিয়া কেম্পতা মথং মথং লৈবা ফংজরকখিবদগী ষ্ট্রো টর্ফতী ঙন্না শান্নবা ফংলকখ্রে। গ্রাসতা শান্নরল্লগা টর্ফতা অহানবা শান্নরকপা মতমদা অৱাবা খরদি মায়োক্লখি। খিত্তং শাংনা শান্নরকপদা নাহি অদুম তাখি। চাশিন্ননবা হোৎনবদসু মতম খরদি চঙখি। অদুবু লেপ্তুনা সুম শান্নরকখিবদগীদি এদজষ্ট তৌখ্রে।

হোক্কি শান্নরোয় অমা ওইনা ঐহাকসু পুন্সিদা অৱা-নুংঙাই, অপেন-পেন্দ ময়াম অমা থেংনজরকখি। ইন্দিয়া কেম্পতসু কোচ চেঞ্জ তৌবা, প্লেয়র সিলেক্সনগী মতাংদা মখোয় মখোয়না পাম্বা প্লেয়র খনখিবসিদি হৌনবনি। অদুগুম্বা মতাংদা থম্মোয় শোকপা, ৰাখল নুংঙাইখিদবা ঐখোয়সু মায়োক্লরকখি। পুন্সিগী অপ-দাউন্দসিদি মীপুম খুদিংদসু থোকপা ৰাফমনি। কুমজা ১৯৯৬ অসিদা য়াম্না নুংঙাইখিদবা মতাং অমসু ঐহাক থেংনজরকখি। হায়রিবা মতমসি হান্না পায়রম্বা কোচ অমা চেঞ্জ তৌখিবা মতাংনি। ঐখোয়বুসু কয়া থওইবীখিদবগুম তৌখি। চহীসিদা ঐখোয় ইন্দিয়ন ৰিমেন্স হোক্কি টিম ফ্রান্সতা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইং শান্নবা চৎখি। মদুদা ঐখোয়গা য়ু এস এগা বেষ্ট ওফ থ্রি শান্নখি। মদুগী খোঙচৎতুদা ঐখোয় টিমসি লাষ্টতা লাকখি। অদুদগী কোচসিনা প্লেয়িংদা ফজনা শান্নরম্বা ঐহাকসি পুরা লৌথোক্লগা গেল্লরিগী মপান্দা ফমহন্দুনা থমখি। মদুগী ইকাইবা পীখিবা মওংদু ঐগী পুন্সিদা খ্বাইদগী শোক্কিং ওইখি। হোক্কি শান্নবা তোক্লগে হায়নফাওবা খনখি। মদুদগী হল্লক্লগা হান্না পায়রম্বা কোচ খরদা ঐহাক্লা ৰারী পুম্নমক তমখি। অদুগা ঐহাক শান্নবদগী পোত্থারগে হায়না পেন দবশিংসু ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৯৭সিদদি ঐখোয়বু মুন্না খঙবীবা কোচশিং মথং মথং অমুক লাকখি। অদুদগী ৰাখলসি ফাথরগা ইশাগী পান্দম অমগা লোয়ননা কন্না শান্নবা অমুক হৌজরকখি। প্লেয়িংদা য়ঙ য়ঙ শান্নরক্লগা সুপ্নগী অশোয়বা মচা খরদগী গেল্লরিগী ৰাংমদা ফমহল্লকপা হায়বসি শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়দদি খ্বাইদগী থম্মোয় কায়বা মওংনি। মখা তারকপদদি খরসু হেন্না চেকশিন্না শান্নজরকখি। অসুম্না হরারেদা কুমজা ১৯৯৭দা তৌখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইংদদি ঐখোয় ইন্দিয়ন ৰিমেন্স হোক্কি টিম ফোর্থ পোজিসনদা লাকপা ঙমখি। মসিগী মথংদা কুমজা ১৯৯৮দা মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা '১৬শুবা কমনৱেলথ গেমস' তসু মরিশুবা তারকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৯৮দা বেঙ্কোক্তা তৌখিবা '১৩শুবা এসিয়ন গেমস'তদি লুপাগী মেদল পুরকপা ঙমখি। বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসকী মতমসিদদি ঐখোয়গী ইন্দিয়ন ৰিমেন্স টিমসি য়াম্না ফজরকপা তাঙ্কক অমসু ওইখি। মদুগী হেক মতুংদা কুমজা ১৯৯৯দা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা 'ফোর্থ নেসন্স টুর্নামেন্ট' তসু ঐখোয় ব্রোঞ্জ মেদল পুরকখি। অদুগা হায়রিবা চহীদুমক্তদা ন্যু জিলেন্দদা চথুখিবা টেষ্ট সেরিজদসু মায় পাক্লকপগা লোয়ননা 'ফোর্থ সিনিয়র এসিয়া কপ' তসু সিলভর মেদল লৌরকখি।

কুমজা ১৯৯৮/৯৯গী মতমসি শান্নবদসু য়াম্না ফজরকপা ইন্দিয়া ৰিমেন্স হোক্কি টিমগী পিক য়ৌরকপা মতাংনি। ওজাশিংনসু ঐখোয়দা থাজবা ফজনা থম্বীবা মতম ওইদুনা শান্নবসু য়াম্না নুংঙাইখি। অদুবু লাইবক থিবদি সীদনি ওলিম্পিক ২০০০গী ওলিম্পিক ক্বালিফাইং চৎলমদাইগী মাঙওইননা সিনিয়র প্লেয়র মরি ইন্দিয়ন টিমদগী থোকখ্রে। ফজনা শান্নরম্বা প্লেয়র মরি টিমদগী থোকখিবা হায়বসি ময়ায় পুরা হোখি। হান্নদি ঐখোয় সীদনি ওলিম্পিক ২০০০ শোয়দনা শান্নবা ফংলনি খল্লগা অচৌবা মঙলান কয়াসু শাগৎচরুবনি। অদুবু ইংলেন্দদা কুমজা ২০০০গী হৌরকপদা পাঙথোকখিবা 'ওলিম্পিক ক্বালিফাইং' মেচতা ঐখোয় মায় পাকপা ঙম্লকখিদে। সুপ্নগী মেচ অমখক কারম্বদা শুকশোয় শোয়না ওলিম্পিয়ন হায়রমগদবদু মদুমদি ফংলকখিদে। ...মথং মথং...





রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৫

১) মহাক ২০শুবা সেঞ্চুরিগী অহানবা শরুক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফবা এথলেটনি হায়না খঙনখি। মহাক কনানো?

২) মালেমগী করম্বা মফমদা SENIOR CROSS COUNTRY RACE অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবগে?

৩) ওলিম্পিক্কী চেরিওট লমজেলদা খৃষ্ট মমাং ৪৬৮তা মায় পাকখিবা নুপা অদু কনানো?

৪) খুমনগী চুম্বারোঙগা চায়নখিবা অকনবা মোইরাং মচা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়ুরো অমসুং কোপা অমেরিকাগী মতুংদা ফিফানা ২০২১ ক্লব ৱর্ল্ড কপকী অনৌবা মতম লেপকদৌরি

মেনচেষ্টর, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফান্তিনোনা ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০ অমসুং কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ৈথোকখিবনা মরম ওইরগা ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপ্লম্বা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী মতম অদু নৌনা অমুক লেপথোক্লবা তঙাইফদবা লাক্লে হায়খি।

ইনফান্তিনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং কোনমেবোল (সাউথ অমেরিকন ফুটবোল ফেদরেসন)গী টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকপনা মরম ওইরগা ঙসি অথেংবদা কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লগা মালেমগী টিম ২৪না লম্বা তৌগদৌরিবা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী হান্না লেপ্লম্বা কুমজা ২০২১গী মতম অদু ২০২২ নত্রগা ২০২৩দা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌমিন্নগদৌরি।



পনবা য়াবদি, ২০২১দা ক্লব ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু কুমজা ২০২১দা চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অমসুং কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ৈথোরকপা মরম্না ক্লব ৱর্ল্ড কপ অসি পাঙথোকপা য়ারোইদৌরিবনি।

কুমজা ২০২১গী জুন ১৭তগী জুলাই ৪ ফাওবা চাইনাগী সিটি ৮দা ক্লব ৱর্ল্ড কপ অসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। ইনফান্তিনো ঙসি অথেংবদা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফেরেন্স অদুদা চাইনা লৈঙাক অমদি চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিসলশিংসু য়াওগদৌরি।

মালেমগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা ইনফেক্ট তৌবা অসি ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্লি। ইটালিগী ফুটবোল ক্লব ফ্যুরেন্তিনা অমসুং জুবেন্টসকী শান্নরোয় কয়া লায়না লায়চৎ অসিনা চৈথেং পীরি। মদুগী মতুংদা য়ু এস এগী বাস্কেটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা কেবিন দুরান্ত ফাওবা লায়না লায়চৎ অসিনা চৈথেং পীরবনি।

# কুমজা ২০২০ ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোকপগী মতাংদা জপাননা করিগুম্বা মখল অমত্তগী থৌরাং লৌখৎত্রি

টোকিও, মার্চ ১৮(এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা টোকিও সিটিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা সম্মর ওলিম্পিক গেমস অসি কোরোনাভাইরস লায়না-লায়চৎনা মরম ওইদুনা মায়কৈ কয়াদগী গেমস অসি য়ৈথোক্লনবা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবদা জপাননা গেমস অসি য়ৈথোকপগী করিগুম্বা মখলগী খোংথাং অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি হায়না মকোক থোংবা লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোদোরকখ্রে।

ৱাঙাংলোয় অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টোকিওনা ওলিম্পিক গেমস অসি হান্না লেপখিবা মতম অদুদা পাঙথোক্লনবা কন্না হোৎনরি। লৈঙাক অদুগী চীফ কেবিনেট সেক্রেটরী ওইরিবা য়োসিহিদে সুগানা হায়খিবদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি (আই ও সী) অমদি মালেমগী শান্নবগী লুপশিংগা কুপ্না খোঙথাংশিং লৌখৎমিন্নদুনা জপান লৈঙাক্লা জুলাই ২৪দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী শেম শাবা লেপ্তুনা চথুরি হায়খি।

সুগানা ৱাফমশিং অসি পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোঙদোকখিবনি। পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমনা লৈঙাক্লা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি মতম য়ৈথোকপা নত্রগা কেন্সেল তৌবগী খোঙথাং লৈব্রা হায়না ৱাহং অমা হংলকপদা জপান লৈঙাক্লা গেমস অসি য়ৈথোকপগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী খোঙথাং লৌখৎপা লৈতে হায়খি।

পনবা য়াবদি, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা ফোঙদোকখিবদা গ্রুপ ওফ সভেন হায়না মিংথোনবা লৈবাক ৭কী লুচিংবশিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস মপুং ফানা পাঙথোকপদা মতেং পীগনি হায়না ৱারেপ্পবা লৈখি হায়খি।

কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা জপানদা পুন্না মীওই ৮৯৯ ইনফেক্ট তৌহনখ্রে। মদুগী মতুং পুন্না মীওই ২৯ শীহনখ্রবনি। মালেমগী ওইনা ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ২১২৮০০ রোম ইনফেক্ট তৌহনখ্রবনি। অদুগা শীবগী মশিংনা ৮৭৮৭ রোম য়ৌরি।

হায়রিবা ফিভম অসিদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াননবা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকপা লৈখ্রবনি। লোয়ননা মায়কৈ কয়াদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি য়ৈথোকপা নত্রগা তোক্লনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

মরক অসিদা জপানগী দিপ্যুতি প্রাইম মিনিষ্টর তারো অসোননা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা জপাননা লায়না লায়চৎ অসি লাকশিনবা ঙম্লবসু অতোপ্পা লৈবাকশিংনা শান্নরোয় থারক্ত্রবদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়না ঙসি ফোঙদোকখি।



# এপ্রিল থাদা চেন্নাই সিটি এফ সীগী এ এফ সী কপ মেচশিং কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন কপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব চেন্নাই সিটি এফ সীনা ক্লব অসিগী এপ্রিল থাদা শান্নগদবা মেচ অনী কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লে হায়না ঙসি কনফিদেরেসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০১৮-১৯দা ইন্দিয়াগী হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংহন্দুনা এসিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা ২শুবা থাক্তা লৈরিবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এ এফ সী কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। গ্রুপ 'ই'দা চেন্নাই সিটি এফ সীনা এপ্রিল ১৫দা মালদিপসকী ক্লব টি সী স্পোর্টস ক্লবকা মালে সিটিদা শান্নগনি তৌরম্বনি। মদুগী মখা তারকপদা এপ্রিল ২৯দা বংলাদেশকী ক্লব বসুনধারা কিংসকা শান্ননবগী সেদ্যুল লৈখিবনি।

এসিয়ন ফুটবোল কনফেদরেসননা ঙসি লৌখিবা ৱারেপক্কী মতুং ইন্না এ এফ সী কপ ২০২০গী মেচ পুম্নমক কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা মখা তাবা ৱারেপ অমা লৌদ্রিবা ফাওবা মতম কক্তুনা য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোকখি। এ এফ সী মায়কৈদগী থোরকপা ৱারোল অদুগী মতুং ইন্না থা অসিগী ১২দা এ এফ সী কপ ৱেষ্ট জোন গ্রুপ মেচশিং মাংজৌননা য়ৈথোকখ্রবনি। লোয়ননা ঙসিগী ৱারোল অদুনা এ এফ সী জোন ৫দা শান্নগদবা মার্চ অমসুং এপ্রিল থাগী মেচ পুম্নমক য়ৈথোক্লে হায়খিবনি।

নীংশিংবা য়াই, চেন্নাই সিটি এফ সীনা থা অসিগী ১১দা গ্রুপকী অহানবা মেচ ওইনা মালদিপসকী মাজিয়া স্পোর্টস এন্দ রিক্রেএসনগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি।



# ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুরদা অহানবা ট্রান্সজেন্দর ফুটবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮(ঐচএনএস):

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা মণিপুরনা ট্রান্সজেন্দর ফুটবোল টিম অমা শেম্লে। টিম অসি শেম্বদা নন গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা য়া ওলনা চাওনা মতেং পাঙখি হায়রি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী অহানবা ট্রান্সজেন্দর ফুটবোল টিম অসি থা অসিগী ৮দা শেমখিবনি। টিম অসিগী শান্নরোয় ওইরিবা চাকিনা ফোঙদোকখিবদা শান্না খোৎনবগী লমদা দিসিপ্লিন খুদিংমক্কী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী টিম কম্পিটিসন তোঙান-তোঙাননা লৈরি। অদুবু ট্রান্সজেন্দরশিংগী ওইনদি কাংলুপ অনীমক্তা য়াওনিংলবসু সোসল ষ্টিকমা লৈবনা চাওনা অৱাবা থেংনখি হায়না ফোঙদোরকখি।

ফুটবোলগী ওইনা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ট্রান্সজেন্দর টিম অমা শেম্বা অসিনা য়াম্না হরাও তয়াম্বা অমদি মমাঙদা অকিবা লৈরম্বা অদু লাম্থোকপা ঙম্লে হায়খি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী অহানবা ট্রান্সজেন্দর ফুটবোল টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নিক (কেপ্টেন), চাকি (ভাইস কেপ্টেন, ষ্ট্রাইকর), পুজা (গোলকিপ্পর), নেলি (মিদফিল্ডর), মেক্স, এল থোই, সনাথোই, লেম (ষ্ট্রাকর), কে কে, লালা, খৃষ্টিনা, এস থোই, সিলৈবী (গোলকিপ্পর) অমসুং মিলরনি। য়া ওলগী ফাউন্দর সদামনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয়শিং অদুনা ওফিসল ওইনা টিম শেমখিবদা হরাওবা ফোঙদোকখি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী শুটিং ওলিম্পিক ত্রায়লদা সৌরব চৌধরিনা নুপাগী এয়র পিষ্টোলদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮(এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ান্ননবা ইন্দিয়াগী শুটর খন্নবগীদমক ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ত্রায়ল সেলেক্সনদা সৌরব চৌধুরিনা নুপাগী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা পোইন্ট ৫৮৮ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী টুগলাকবাদতা লৈবা ডা.কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা সৌরব চৌধরিনা পোইন্ট ৫৮৮ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা অভিসেক ভর্ম্মানা পোইন্ট ৫৮৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। লোয়ননা ধর্মেন্দ্র সিংহনা পোইন্ট ৫৭৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন ফংলবা মতুং ওম প্রকাস মিথর্বালনা পোইন্ট ৫৭৭ অদুগা গৌরব রানানা পোইন্ট ৫৭৬ ফংদুনা মথংশিংনা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা পোজিসন ফংখি।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা সৌরব চৌধরিনা কুমজা ২০১৮দা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মদুতা নত্তনা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপশিংদা ইন্দিবিজুএল গোল্ড মেদল অনী অমসুং মনু ভাকরগা পেয়র ওইরগা মিক্স টিমগী গোল্ড মেদল ৪ ফংবা ঙমখি। সৌরবনা ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রায়ল সেলেক্সন অদুগী মাংওইননা নুপাগী মিটর ১দগী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা পোইন্ট ৫৮৫, ৫৮১, ৫৮৭, ৫৮০, ৫৮৬, ৫৮৪ অমসুং ৫৮৩ ফংদুনা য়াম্না ফজবা ঙমখিবনি।



নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফইন্দিয়ানা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না শুটরশিংনা এসিয়ান গেমস, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ, ৱর্ল্ড কপ অমসুং এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা লৈখিবা শুটরশিং অদুগী পর্ফোমেন্স অদুসু কাউন্ট তৌগনি হায়রি। এসোসিএসন অসিনা হন্দক কোরোনাভাইরস লায়না-লায়চৎনা মরম ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱর্ল্ড কপ অদু য়ৈথোকখিবনা মরম ওইদুনা হাংহৌবা মতম অদুদা নেসনল ত্রায়ল অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক ত্রায়ল অদুগী নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন কম্পিটিসনদা অশ্বরি প্রতাপ সিংহা টোমরনা পোইন্ট ১১৭৮ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা সঞ্জিব রাজপুটনা পোইন্ট ১১৬৯ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা চেন সিংহনা পোইন্ট ১১৬৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন ফংলগা শ্বপনিল কুসালেনা পোইন্ট ১১৬৯ ফংদুনা ৪শুবা পোজিসন ফংখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অনু রাজ সিংহনা পোইন্ট ৫৭৯ ফংলদা মকোক ওইবা ঙমখি। ইশা সিংহনা পোইন্ট ৫৭৮ ফংলদা অনীশুবা পোজিসন, মনু ভাকরনা পোইন্ট ৫৭৪ ফংলগা অহুমশুবা অদুগা য়স্বসিনি দেসৱালনা পোইন্ট ৫৭০ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী কম্পিটিসন্দা অঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ১১৭৪ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখি। টেজাস্বিনি সৱান্টনা পোইন্ট ১১৭০ ফংলগা অনীশুবা তাখি। পোইন্ট ১১৬৮ ফংলগা অয়ুসি পোদ্দরনা অহুমশুবা অদুগা সুনিধি চৌহান্না পোইন্ট ১১৬৩ অমসুং গায়াথ্রি নিত্যনদাম্না পোইন্ট ১১৫৮ ফংলগা মথংশিংনা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা পোজিসন তাখি।

